# প্রাইম মিনিষ্টরনা প্রোটোকোল থুগায়দুনা রাজপথতা খোঙনা চৎলগা মীয়ামদা খুৎ হাইখ্রে



ন্যু দিল্লি, জান্যুৱারী ২৭ (এজেন্সী): লৈবাক্কী ৬৮শুবা রিপব্লিক দেগী থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা রাজপথতা মখোঙনা চৎলগা লৈবাক মীয়ামদা খুৎ হাইদুনা প্রোটোকোল থুগায়খ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মতৌ অসুন্না রাজপথতা মখোঙনা চৎপা হন্দক্লা অনীরক শুবনি। হরাও তয়ান্নবগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা রিপব্লিক দেগী থৌরমদা মখল মথেল কয়াগী থৌরম উৎখি। মিলিটরিগী তৌবা ঙন্না মতিক ময়াই পুন্নমক থৌরমগী শরুক অমা ওইনা উৎখি অমসুং হৌজিক ফাওবদা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা পায়খৎখিবা থৌরাংশিংগী মতাংদসু থৌরম অদুদা উৎখি।

থোইদোক হেন্দোক্লা মীয়ামগী মীৎয়েং চিংশিনখিবদি লেফটনেন্ট কর্নেল অবুদ মুসাবে অবুদ মুসাবে অলঘ ফেলিনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ আরব এমিরেটসকী মীওই ১৪৯ না শাবা কন্টিঞ্জেন্ট অদুনি। কন্টিঞ্জেন্ট অদুদা য়ু এ ঈগী প্রসিদেন্সিএল গার্দ, এয়র ফোর্স, নেভি অমসুং আর্মি পার্সনেলশিং য়াওখি।

পুৱারীদা অহানবা ওইনা 'ব্লেক কেট' কম্মান্দো হায়না খঙনবা নেসনল সিক্যুরিটি গার্দ (এন এস জি)গী কন্টিঞ্জেন্ট অমা রাজপথকী পেরেদতা শরুক য়াখি। অবু ধাবিগী ক্রাউন প্রিন্স মহমদ বিন জয়দ অল নহায়ননা থৌরমগী চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ইন্দিয়াগী রিপব্লিক দে নুমিৎকা মরী লৈননা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী)দা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থানগী লান্মীশিং অথুম-অহাও য়েন্নদুনা চামিন্নখ্রে। ইন্দিয়াগী লান্মী-শিংনা পূঞ্চ-রাৱালাকোট অমদি হোট স্প্রিং-মেন্ধার ক্রোসিং পোইন্টতা মথৌ তৌরিবা পাকিস্থান আর্মিগী পার্সনেলশিংদা অথুম-অহাও খুদোল তমখি। ঙাইহাক লৈরগা পাকিস্থান আর্মিগী ওফিসলশিংনসু ইন্দিয়াগী মীহুৎ কাঙবুদা অথুম-অহাও খুদোল তন্নকখি হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন লেফটনেন্ট কর্নেল মনিশ মেহটানা ফোঙদোকখি।

এল ও সীদা ঈং-তপ্পা ফীভম লৈহনবা পান্মী হায়বা উৎপা ওইনা ইন্দিয়াগী লান্মীশিং পাকিস্থানগী লান্মীশিংদা অথুম-অহাও খুদোল তমখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, রিপব্লিক দেগা মরী লৈননা রেদ ফোর্টতা নুমিৎ ৬ নি চুপ্পা চথুগদবা ভারত পর্ব্ব নেসনল ফেষ্টিবেল হৌদোকখ্রে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর মহেশ শর্ম্মনা হৌদোকখিবা থৌরম অদুদা লৈবাক্কী নাৎ, খুৎশা হৈবগী পোত্থোক অমদি চান-থক্লবা পোৎলম কয়া উৎলি। থৌরমগী নোদেল মিনিষ্ট্রি ওইরিবা টুরিজম মিনিষ্ট্রিনা হায়খি মদুদি, লৈবাক মীয়ামদা মরৈবাক নীংবগী ঈথিল ফাওহনবগা লোয়ননা ইনাক খুল্লবা লৈবাক্কী নাৎ নৌহৌননা নীংশিংহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

জান্যুৱারী ২৬ তগী ৩১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা কনাগুম্বনা শেল অমত্তা তিংদনা চঙবা য়াগনি। তৌবতবু থৌরম য়েংবা লাকপা মীওই খুদিংমক্লা মশাগী শক্তাক চে লোয়নরক্কদবনি হায়না মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

থৌরম অসিদা মপুং ওইনা উৎলিবদি রিপব্লিক দে পেরেদকী টেব্লো, আর্মদ ফোর্সেসকী কাঙবুনা উৎপা তোঙান-তোঙানবা থৌরম, মখল-মথেল কয়াগী চান-থক্লবা পোৎলম, ক্রাফট মেলা, লৈবাক অসিদা খুন্দারিবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপকী মীওইশিংনা উৎপা কলচরেল প্রোগ্রাম অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংনা পাঙথোকপা ফোটো একজিবিসননি।

কলচরেল প্রোগ্রামদা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী লাকপা মীওই কাঙলূপশিংনা ট্রাইবেল জগোই অমদি ঈশৈ উৎখি। ষ্টোল ৫০ রোম হাংখিবা ফূদ কোর্টতা চান-থক্লবা পোৎলম কয়ামরুম ফংহনখি। ক্রাফট মেলাদা ষ্টোল ৫০ রোম হাংখি। মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংনা 'মেরা দেশ বদল রহা হে, আগে ভর রহা হে' হায়বা থিমদা ফোটো একজিবিসন অমা পাঙথোকখি।

# কোংগ্রেস, সমাজৱাদি পার্টিনা অমেথি, রাই বরেলিগী মতাংদা কন্না য়েৎনরি



লক্ষ্নৌ, জান্যুৱারী ২৭ (এজেন্সী): কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী অমসুং মহাক্কী মচানুপা রাহুল গান্ধীগী পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি ওইরিবা অমেথি অমসুং রাই বরেলিদা সীট য়েন্নবগী মতাংদা কোংগ্রেস অমসুং সমাজৱাদি পার্টি কন্না য়েৎনরি।

অপূনবা সীট ৪০৩গী মনুংদা সীট ১০৫ ফংবা ঙমখ্রবা কোংগ্রেসনা অমেথি অমসুং রাই বরেলিগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ১০ মক থাদোকপা পামদ্রি। হীরম অসিগী মতাংদা পার্টি অনী ৱারী শানদুনা য়ানবা পুরক্লবা হোৎনরি।

পনবা য়াবদি, কোংগ্রেস অমসুং সমাজৱাদি পার্টিনা এল্লাইন্স শেমদ্রিঙৈদা কন্সটিট্যুয়েন্সি ১০ অসিগী মনুংদা সমাজৱাদি পার্টিগী মীরেপ ৫ কন্সটিট্যুয়েন্সি ৫ দা মীরেপ ওইনা থাদোক্লগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

কোংগ্রেসকী সিনিয়র লীদর অমনা হায়খি মদুদি, ফীভম অমত্তদা কোংগ্রেসনা রাই বরেলি অমসুং অমেথিগী সীট অমত্তা থাদোকপা পামদে। মতম শাংনা ৱারী শানরবা মতুংদা কোংগ্রেসনা সীট ৬ তা অমসুং সমাজৱাদি পার্টিনা সীট ৪ দা মীরেপ থাদোকপা হায়না য়ানখ্রবসু লোকেল লীদর অমসুং ৱার্করশিংদি অমেথি নৎত্রগা গোরিগঞ্জ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিবু সমাজৱাদি পার্টিদা শীন্নখিবা পামদ্রি।

সীট অয়াম্বা পায়শিন্নবা হোৎনরিবা কোংগ্রেসনা করম-করম্বা কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মখোয়গী মীরেপ থাদোক্কদগে হায়বদুগী মতাংদসু মরুওইবা থৌদাং লৌনবা হোৎনরি।

কোংগ্রেসকী লুচিংবা অমনা হায়খি মদুদি, মমাঙগী পার্ফোর্মেন্স য়েংলগা টিকেট পীবা তারবদি মায়োক্লবা পার্টিদা খুদোংচাবা পীবা ওইনা থোক্কনি। মরম অদুনা অমেথি অমদি রাই বরেলি কন্সটিট্যুয়েন্সি মনুং চন্না লৈবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি পুন্নমক্তা কোংগ্রেসকী মীরেপ থাদোক্কদবনি।

সমাজৱাদি পার্টিনা পার্টি অসিগী সীটিং এম এল এবু সারেনিদা মীরেপ ওইনা থাদোক্লবা থৌরাং লৌখৎখি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা সীট অসি বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি)না মুনখিবা য়াবগী ফীভম লাকপদগী কোংগ্রেস অমসুং সমাজৱাদি পার্টিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা কুপ্না খন্নবা মথৌ তাই হায়রি।

কোংগ্রেস অমদি সমাজৱাদি পার্টিনা এল্লাইন্স শেমখ্রবা মতুংদা হৌজিক ফাওবা রাই বরেলি অমদি অমেথিদা থাগৎখিবা সমাজৱাদি পার্টিগী মীরেপ ৫ হৌজিক ফাওবা লৌথোকপগী ৱাফম লৈত্রি। কোংগ্রেসকী ওইনদি সোনিয়া অমসুং রাহুল গান্ধীগী অকনবা মফম ওইরিবা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি অনী অসিদা য়ামদ্রবদা কোংগ্রেসকী মীরেপ ৮ থাগৎপনি।

কোংগ্রেসকী সিনিয়র লীদর অমনা হায়খি মদুদি, মায় পাক্কদবা মীওইবু মীরেপ ওইনা থাদোক্তবা থোক্লবদি বি এস পিনা খুদোংচাবা লৌথিবা য়াই। মরম অদুনা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি ২মক্কী মনুং চন্না লৈবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ১০ মুক্তা কোংগ্রেসকী টিকেট থাদোকপা মথৌ তাই। করিগুম্বা সমাজৱাদি পার্টিনা কোংগ্রেসকী অশোনবা মফমদা পার্টি অসিগী মীরেপ থাগৎনবা ৱাফম ফোঙদোরকপা থোক্লবদি এল্লাইন্সকী পার্টনর অনীমক্তা মাঙজবা ওইগনি।

গান্ধী ফেমিলিগী অকনবা মফমনি হায়নরিবা রাই বরেলি অমসুং অমেথিগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ১০গী মনুংদা হৌজিক-হৌজিক সমাজৱাদি পার্টিগী এম এল এ ৭ লৈরি। করিগুম্বা সীট ১০ মক কোংগ্রেসতা পীখিবা থোক্লবদি সমাজৱাদি পার্টিগী সীটিং এম এল এ ৭ টিকেট ফংদবগী ফীভমদা লাক্কদৌরি।

নাকল অনীমক্কী খুদোংচাগদবা য়েংলগা কোংগ্রেসনা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ১০গী মনুংদা ৪ থাদোক্লবা ফিরেপ লৌরে হায়রি। অদুমওইনমক মীখল নকশিল্লক্লবা ফাওবা পার্টি অনীনা সীট য়েন্থোক্লবগী ৱাফম লৈখায় তাবা ঙমদ্রি।

# সুপ্রিম কোর্টনা লৌমীশিং সুইসাইদ তৌবগী মতাংদা সেন্টর, ষ্টেটশিংদগী পাউখুম কৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, জান্যুৱারী ২৭ (এজেন্সী): লৌমীশিংনা মশা-মথন্তা শিজখি-বগী ওইথোকপা য়াবা মরম খঙহল্লক্লবা সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি সেন্টর, ষ্টেট গভর্ণমেন্ট, য়ুনিয়ন টেরিটরি অমসুং রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই)দা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ জষ্টিশ জে এস খেহর অমসুং জষ্টিশ এন ভি রামনাগী বেঞ্চ অমনা হায়খি মদুদি, চয়োল ৪গী মনুংদা হীরম অসিগা মরী লৈননা মতিক চাবা পাউখুম পীরক্কদবনি। লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা লৌমীশিংনা মশা মথন্তা শিজনবা ফিরেপ লৌখিবগী মতাংদা ওইথোকপা য়াবা মরম পুন্নমক খঙহল্লক্কদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং অমনা ফোঙদোকখি।

সিটিজন রিছোর্স এন্দ এক্সন এন্দ ইনিসিএটিব ওন ইস্যুস রিলেটেদ টু ফার্মরস কৌবা এন জি ও অমনা থাঙ্গৎলকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা হিয়ারিং চথুরবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টকী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

অমরোমদা, লৈবাক্কী মফম খুদিংমক্তা ষণ হাৎপা থিংগদবনি হায়না থাঙ্গৎলকখিবা পি আই এল অমা সুপ্রিম কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

এপেক্স কোর্টনা হায়খি, অরানবা মওংদা ষ্টেট অমদগী অতোপ্পা ষ্টেট অমদা ষণ অমদি ষণ শা পুথোক-পুশিন তৌবা থিংনবগী মতাংদা মাঙজৌননা ৱায়েল পীখিবা লৈবনা হীরম অসিগী মতাংদা মখা তানা হিয়ারিং চথবা মথৌ তাদ্রে।

পনবা য়াবদি, মমাঙ চহীগী ওগষ্ট থাদা মহারাষ্ট্রগী ষণ শা য়োনবা এসোসিএসন ৩৬ না ষণ হাৎপা থিংবগী মায়োক্তা পিটিসন অমা সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌরকপা লৈখ্রবনি।

পিটিসন অদুনা হায়খি মদুদি, হান্নগী মতৌগুম মখা তানা ষণ হাৎপা অমদি ষণ শা চাবা য়াহন্নবা হায় কোর্টনা মতিক চাবা ৱায়েল পীগদবনি।

মহারাষ্ট্র এনিমেলস প্রিভেন্স (এমেন্দমেন্ট) এক্ট, ২০১৫ গী মতুংইন্না ষণ হাৎপা, ষণ শা য়োনবা অমদি ষণ শা চাবা থিংনবা থৌরাং লৌখৎখি। দিলরশিংগী এসোসিএসননা অথিংবা অদু লৌথোকহন্নবগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টকী মীৎয়েং চিংশিল্লদুনা পি আই এল অমা ফাইল তৌরকখি।

মমাঙদা মহারাষ্ট্র গভর্ণমেন্টনা মহারাষ্ট্র এনিমেল প্রিজার্ভেসন (এমেন্দমেন্ট) এক্ট, ১৯৭৬ এমেন্দ তৌদুনা ষণ হাৎপা থিংনবা থৌরাং লৌখৎখি। থৌরাং অদুবু বোম্বে হায় কোর্টতা শীংনরকখি। অদুমওইনমক হৌখিবা মে থাদা বোম্বে হায় কোর্টনা লো অদুমখা তানা চৎননবা অয়াবা পীখি।

অমরোমদা, সুপ্রিম কোর্টনা অথুবা মতমদা নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এন ঐচ আর সী)গী দিরেক্টর জেনরেল হাপ্পবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা খঙহনবা লৈখ্রবনি। চীফ জষ্টিশ জে এস খেহরনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা হায়খি মদুদি, থেংলবদা চয়োল ৪গী মনুংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা এন ঐচ আর সীগী মেম্বরশিংসু খনগদবনি। করিগুম্বা সেন্টরনা অপীবা মতম অসিগী মনুংদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎলক্তবা থোক্লবদি অৱাবা নংগনি হায়নসু সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোকখি।

# মীওই ক্রোর ১১১ দা আধার কার্দ পীবা ঙমখ্রে : রবি শঙ্কর

ন্যু দিল্লি, জান্যুৱারী ২৭ (এজেন্সী): হৌজিক ফাওবদা মীওই ক্রোর ১১১ দা আধার কার্দ পীখিবগা লোয়ননা সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট এক্সচেক্বরদগী লুপা ক্রোর ৩৬,১৪৪ চহী ২গী মনুংদা কনবা ঙম্লে হায়না ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি মিনিষ্টর রবি শঙ্কর প্রসাদনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, গভর্ণমেন্টনা কুকিং গ্যাস সিলিন্দরগী মতাংদা পহাল স্কিম পায়খৎতুনা আধারগা মরী লৈনবা কঞ্জ্যুমরশিংগী একাউন্টতা হকথেংননা শেল দিপোজিট তৌখি। কুমজা ২০১৪-১৫ দা পহাল স্কিমনা মরম ওইরদুনা লুপা ক্রোর ১৪,৬৭২ কনবা ঙমখি। কুমজা ২০১৫-১৬ তদি স্কিম অসিগী মখাদা লুপা ক্রোর ৬,৯১২ কনবা ঙমখি।

রেজিষ্ট্রার ১৩৫, এনরোলমেন্ট এজেন্সী ৬১২ অমসুং এনরোলমেন্ট ষ্টেসন ৪৭,১৯২ না নোংমদা মীওই লাখ ৭ তগীনা ৮ ফাওবা এনরোল তৌবা ঙম্মী। কুমজা ২০১৪গী মে ৩১ দা হাংদোকখিবা থৌরাং অসিগী মখাদা মীওই ক্রোর ৬৩.২২ নোংমদা এনরোল তৌখি। কুমজা ২০১৬ কী ওক্টোবর ফাওবদা নুমিৎ খুদিংগী মীওই লাখ ৫ দগীনা ৬ ফাওবা আধারদা এনরোল তৌখি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

শেনয়েক অনী চৎনহনখিদ্রবা মতুংদদি নুমিৎ খুদিংগী মীওই লাখ ৭ তগীনা ৮ ফাওবা আধার এনরোল-মেন্ট অমসুং অপদেট তৌনবগী ৱাফম হায়জরকখি হায়রি।

প্রাইভেসি অমসুং দেটা সিক্যুরিটিগী মতাংদা রবি শঙ্কর প্রসাদনা হায়খি, গভর্ণমেন্টনা মীচম মীয়ামগী প্রাইভেসি অমদি দেটা সিক্যুরিটি ঙাক্লবা থৌরাং লৌখৎলি। আধার এক্ট ২০১৬ কী মতুংইন্না দেটা অমসুং প্রাইভেসি ঙাক্লবগী প্রোভিজন মতিক চানা লৈ।

বেঙ্ক একাউন্টশিং আধারগা মরী লৈনহনবগী মতাংদা মিনিষ্টরনা হায়খি, হৌজিক ফাওবদা বেঙ্ক একাউন্ট ক্রোর ৪৭ হেন্না আধার নম্বরগা মরী লৈনহনবা ঙম্লে। দিমোনেটাইজেসন মমাঙদা থা খুদিংগী মতৌ অসুন্না বেঙ্ক একাউন্ট অমদি আধার নম্বর মরী লৈনহনবগী থৌদোক লাক ৬০ লৈখি। অদুবু শেনয়েক অনী চৎনহনখিদ্রবা মতুংদদি থা অমদা ক্রোর ১.৮ লোম য়ৌরকখি।

হৌখিবা নবেম্বর ৮ দা শেনয়েক অনী চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা থংনবা নুমিৎ নবেম্বর ৯ দগীনা হৌখিবা জান্যুৱারী ১৫ ফাওবদা আধার এনেবল পেমেন্ট সিষ্টেম (এ ঈ পি এস) ট্রান্সজেক্সন ক্রোর ৮.৩৯ তৌখি। মদুগী মনুংদা ট্রান্সজেক্সন ক্রোর ৩.৭৩ দি দিসেম্বর থাদা তৌখিবনি। জান্যুৱারী থাগী অহানবা নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা ট্রান্সজেক্সন ক্রোর ২.০৬ তৌখি। মমাঙদা এ ঈ পি এস ট্রান্সজেক্সন ক্রোর ২.৫৭ ওক্টোবরদা তৌখি। নবেম্বরদনা ট্রান্সজেক্সন ক্রোর ২.৬৯ তৌখি।

# জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা উন নীংখায়রকপদা শিখিবা মীওই পূন্না ২০ শুখ্রে, মৈ ফংখিদ্রে



শ্রীনগর, জান্যুৱারী ২৭ (এজেন্সী): কাশ্মীর তম্পাক্কী গুরেজ অমসুং সোনমার্গ সেক্টরদা উন নীংখায়রকপগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মীওই পূন্না ২০ শুখ্রে। গুরেজদা ঙসি থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ৪ ফংবা ঙমখি। লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই ২০গী মনুংদা ৫ দি মীচমনি হায়রি। হৌজিক ফাওবদা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা গুরেজ সেক্টরদগী লান্মী ১১গী অশিবা হকচাং ফংবা লৈখ্রে।

পুলিস ওফিসল অমনা হায়খি, গুরেজ সেক্টরদা ঙসি মী কনবা অমসুং মতেং পাংবগী থবক পায়খৎলিবা কাঙবুনা থৱায় য়াওদ্রবা লান্মী ৪গী হকচাং ফংবা ঙমখি। হৌজিক ফাওবদা শিখিবা লান্মী পূন্না ১৪ শুরে।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা উন নীংখায়রকপগী থৌদোক অনী গুরেজ সেক্টরদা থোকখি। থৌদোক অদুদা লান্মী কয়ামরুম উননা ননশিন্দুনা লৈখি। রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা লান্মী ৭ হিংনা কনবা ঙমখি। অদুবু ঙরাং লান্মী ১০গী অশিবা হকচাং থেংনখি।

চৈরকসিদা, মশাগী চহী ৬০ রোম শুরবা মীওই অমা বরামুলা দিষ্ট্রিক্টকী য়ুরি দিষ্ট্রিক্টতা উন নীংখায়রকপদগী লৈখিদ্রে। ফটেহ মহমদ মুঘল কৌবা মীওই অদুনা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম ময়ুমদগী হেক থোকখিবগা খঙহৌদনা উন নীংখায়রকখিবনি হায়রি।

মনাক নকপদা লৈরম্বা মীওইশিংনা মুঘলবু উন মরক্তগী লৌথোক্লগা মনাক নকপা হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি। অদুবু দোক্তরশিংনা মহাকপু লন্বীদা শিরগা পুখৎলকপনি হায়না ফোঙদোকখি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতগী কাশ্মীরদা নৌনা উন তারকখিবগা লোয়ননা মফম কয়াদা উন নীংখায়বগী থৌদোক থোকখিবদা লান্মী ১৪ য়াওনা মীওই ২০ হেন্না শিবা লৈখ্রে হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা মখা তানা উন তারকপা য়াবা মরম্না মীপুম খুদিংমক মীৎকুপ নাহুমশিংনা লৈনবা ওঠোরিটিশিংনা চেকশিন ৱারোল পীখ্রে।

অমরোমদা, কাশ্মীর তম্পাক্কী মফম কয়াদা উন তারকপদগী তম্পাক অসিগা অতৈ অতোপ্পা মফমশিংগা ফাওনখিদবা নুমিৎ ৪ নি শুরে।

মেটিওরোলোজিকেল ওফিসকী ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, কুমজা ২০০৬ অমসুং কুমজা ১৯৯২ দা থোকখিবা থৌদোক অদুদগী হেন্না কনবা মওংদা পহলগাম, গুলমার্গ অমদি শ্রীনগরদা উন তারকখি। কা হেনবা মওংদা উন তারকখিবনা মরম ওইরগা কাশ্মীর তম্পাক্তা অতৈ অতোপ্পা মফমশিংগা ফাওনবা ঙমদ্রে। মখা তাবা য়াথং অমা ফংদ্রিবা ফাওবা শ্রীনগর-জম্মু হায়ৱেদা কনাগুম্বা অমত্তনা গাড়ী থৌদনা ট্রাফিক দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

শ্রীনগর ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা ঙসি অয়ুক মিটর ২০০ দগী হেন্না লাপ্পা উবা ঙমখিদবা মরম্না ফ্লাইট পুন্নমক কেন্সেল তৌখি। মফম অসিগী টেম্পরেচর মাইনস ০.৮ দিগ্রী সেলসিয়স ওইখি। শগোলশেন নুমিৎতগী শ্রীনগরদা এম এম ১০.৫গী চাংদা নোং চুরকখিবগা লোয়ননা সেন্টিমিটর ২গী চাংদা উন তারকখি।

# 'খুন্নাইগী মায়োক্তা লৈবশিংনা জালিকাটুগী খোঙজং মিংচৎ থীহন্নবা হোৎনখি'

চেন্নাই, জান্যুৱারী ২৭ (এজেন্সী): টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ও পনিরসেলবমনা হায়খ্রে মদুদি, খুন্নাইগী মায়োক্তা লৈবা মীওইশিংনা জালিকাটুগী খোঙজংবু মীয়ামদা লান্না উহন্নবগীদমক অরানবা থৌওং কয়া চথুরকখিবনি।

ওল ইন্দিয়া দ্রাবিদা মুন্নেট্রা কঝাগম (এ আই এ দি এম কে)গী লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়খি, মেরিনা বিচতা মীয়াম্না জালিকাটু থিংখিবগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা খোঙজংবু অরানবা মওংদা উহন্নবগীদমক এন্টি নেসনল অমসং এন্টি সোসল ওইবা মীওই কয়া খোঙজংদা য়াওশিল্লকখি। য়ারিবমখৈ মীচম মীয়ামগী পূন্সি অমসুং লন-থুম মাঙ-তাকহন্দনবগীদমক পুলিসনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীওইশিংগী মথক্তা কা হেনবা থৌওং চথুখিদে। অদুবু চেন্নাইগী মায়োক্তা লৈবা মীওই খরনা মীয়াম মরক্তা ঈহৌ শাগৎতুনা খোঙজং অদু অরানবা মায়কৈদা পুনবা হোৎনখি।

প্রোটেষ্টরশিংবু পুলিসনা চৈনা কল্লগা তানখায়খিবগী মতাংদা মপুং ফাবা ৱারোল অমা পীগদবনি হায়না ওপোজিসন লীদর এম কে ষ্টেলিননা তকশিল্লকখ্রবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি এসেমব্লিদা হায়খি মদুদি, কনাগুম্বা মীওই খরনা মীয়ামগী খোঙজংবু অরানবা মায়কৈদা পুনবা হোৎনরে হায়বগী মতাংদা অরোনবা পাউ অমা পুলিসনা ফংখি। মরম অদুনা মেরিনা বিচতা খোঙজং চঙশিনখিবা মীয়ামবু ঈং-তপ্পা ময়ুম-ময়ুমদা হলহনখিনবা থৌরাং লৌখৎপনি। অদুবু ফত্তবা মীওই খরনা গভর্ণমেন্টকী থৌওং অদু মীয়ামদা লান্না উহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি।

টামিল নাদু গভর্ণমেন্টনা ওর্দিনান্স অমা চৎনহন্দুনা জালিকাটু পাঙ-থোক্লবগী অয়াবা পীখিবগী মায়োক্তা এনিমেল রাইটস গ্রুপ কয়ানা সুপ্রিম কোর্টতা শীংনরকপা লৈখ্রবনি। জান্যুৱারী ৩০ দা পিটিসনশিং হিয়ারিং চথুরবা য়াই হায়না জষ্টিশ দিপক মিশ্রা অমদি জষ্টিশ নরিমানগী বেঞ্চ অমনা ফোঙদোকখি।

পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র এদভোকেট অভিসেক মানু সিংহবিনা কোর্টতা হায়খি মদুদি, ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা জালিকাটু পাঙথোকহন্নবগী মতাংদা ওর্দিনান্স অমা চৎনহনখিবগী থৌওং অদু প্রিভেন্সন ওফ ক্রুএলটি টু এনিমেলস এক্টকী প্রোভিজননা য়াদবা থৌওংনি হায়না লৌফম থোকই।

অমরোমদা, সিনিয়র কাউন্সেল সী এ সুন্দ্রমনা হায়খি মদুদি, ষ্টেট গভর্ণ-মেন্টনা নোটিফিকেসন অমা ৱিদ্রো তৌদুনা জালিকাটু পাঙথোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপগী মতাংদা মখা তানা খন্ননিংঙাই ওইদ্রে। ষ্টেটকী মফম কয়াদা মীয়াম্না অকনবা মওংদা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রবা মতুংদা টামিল নাদু এসেমব্লিনা মোত অমত্তা ওইনা জালিকাটুগী বিল পাস তৌবা লৈখ্রবনি।

এসেমব্লিগী অখন্নবা মীফম অমদা চীফ মিনিষ্টর ও পনিরসেলবমনা জালিকাটু বিল পুখৎখি। থাংজ নুমিৎতা প্রিভেন্সন ওফ ক্রুএল্টি টু এনিমেলস এক্ট এমেন্দ তৌদুনা চৎনহনখিবা ওর্দিনান্সকী মহুৎতা বিল অসি ওইনা চৎনহল্লগনি হায়না পল্লদুনা টামিল নাদুগী গভর্ণর সী ঐচ বিদ্যাসাগর রাওনা হায়খি মদুদি, অপনবা লৈতনা জালিকাটু পাঙথোকপা য়াহন্নবগীদমক এসেমব্লিদা বিল অমা পুথোক্লগনি।

ষ্টেট এসেমব্লিদা ৱা ঙাঙখিবদা গভর্ণরনা হায়খি, টামিল নাদুদা খুন্দারিবা মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না জালিকাটু পাঙথোকপা য়াহন্নবগীদমক অনৌবা বিল অমা পুথোক্লবা থৌরাং তৌখিবনি।

জালিকাটু হায়বসি চহী চা কয়াগী মমাঙদগী হৌনা টামিল নাদুদা পাঙথোক্তুনা লাক্লবা ষণ লাবা ফাবগী কুৰ্মানি। সুপ্রিম কোর্টনা কুন্মে অসিবু অথিংবা থমখ্রবা মতুংদা টামিল নাদুগী নহারোলশিংনা জান্যুৱারী ১৬ তগী হৌনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখি।

অমরোমদা, জালিকাটুগা মরী লৈননা চেন্নাইগী মেরিনা বিচতা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মহৈরোয়শিংদা টামিল নাদু পুলিসনা চৈনা কন্দুনা তানখায়খিবগী থৌওংবু মদ্রাজ হায় কোর্টনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

# পঞ্জাবতা কেপ্টেন অমরিন্দর সিংহনা মথংগী চীফ মিনিষ্টর ওইরগনি : রাহুল গান্ধী



মাজিথা, জান্যুৱারী ২৭ (এজেন্সী): কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা ঙসি হায়খ্রে মদুদি, করিগুম্বা কোংগ্রেসনা পঞ্জাবগী এসেমব্লি ইলেক্সনদা মায় পাকপা থোক্লবদি কেপ্টেন অমরিন্দর সিংহনা চীফ মিনিষ্টর ওইরগনি।

মাজিথাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ৱা ঙাঙখিবদা রাহুলনা হায়খি, কেপ্টেন অমিরন্দরনা পঞ্জাব চাউখৎহন্নবগী মতাংদা মরুওইবা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লাকখি। বাদল কাঙবুনা লৈঙাক পায়খিবা মতমদা পঞ্জাবকীদমক মশক থোকপা থৌরাং অমত্তা লৌখৎপা লৈখিদে।

সিরোমনি অকালি দল অমদি ভারতিয়া জনতা পার্টিগী এল্লাইন্সপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্টনা হায়খি, পর্কাস সিংহ বাদলনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টনা শাংলবা চহী কয়া পঞ্জাবকী মীয়ামদগী লুট তৌদুনা লাকখি। মীয়ামদগী লুট তৌখিবা শেনফম পুন্নমক কোংগ্রেসনা লৈবাক মীয়ামদা অমুক শোয়দনা হন্দোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎকনি।

হীরম খুদিংমক্তা ইমুং অমখক্লা তৌনিংবতা তৌদুনা লাকখি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, বাদল ফেমিলিনা পঞ্জাবতা ইন্দষ্ট্রিদগী হৌরগা হীরম খুদিংমক্তা খুবাম চেৎনা পায়শিন্দুনা মীয়ামগী লন-থুম মৎখি। নোংমা কাংদনা লৌমীশিং মশা মথন্তা শিজবগী পাউ তারি। অৱাবা নংলবা লৌমীশিংনা লোনগী শেনফম শীংগৎপা ঙমদবা মরম্না মশা মথন্তা শিজনবা ফিরেপ লৌখিবনি। কোংগ্রেসনা করিগুম্বা গভর্ণমেন্ট পায়বা থোক্লবদি অতেনবা মতমগী মনুংদা লৌমিশিংগী অৱাবা কোক্লবা থৌরাং লৌখৎকনি। পঞ্জাবতা থেংনরিবা দ্রগনা থোকহল্লকপা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা রাহুল গান্ধীনা হায়খি, কোংগ্রেসনা গভর্ণমেন্ট হেক পায়বগা দ্রগ লল্লোনবশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎতুনা ষ্টেট অসিদা দ্রগকা মরী লৈনবা প্রোব্লেম অমত্তা থাকহন্দনবা হোৎনগনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সেন্টরগী এন দি এ গভর্ণ-মেন্টপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা রাহুলনা হায়খি, নাকল অমরোমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা শেঞ্জা-থুমজা মুথৎকনি হায়না লাউরি। অতোপ্পা নাকল অমদনা শেঞ্জা-থুমজা তৌবা বাদল ফেমিলিগা খুৎশম্নরগা পঞ্জাবতা মীখল থেংনরি।

আম আদমি পার্টি (এ এ পি)গী লুচিংবা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা মীয়ামবু নমথাক তৌরল্লবা মতুংদা কেজ্রিৱালনা হৌজিক অমুক পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর ওইনবা থৌরাং তৌরিবসি থোইদোক্লা কান্নবা ফংলোই।

টৈংপাল্লৌ/ লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC
(DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফন্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3587/03/01-02/02